লৈবাক্কী পাউ

ইন্দিয়াগী এয়ার ফোর্সনা শীজিন্নগদবা এলসিএ ওপরেসনেল ওইগদবা চহী খরা ৱাৎলি

নিউ দিল্লি, জনুৱারী ২০ঃ ইরাই নুমিৎতা দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকানা অহানবা ওইনা লৈবাক অসিনা মশানা শাজবা লাইট কোম্বেট এয়ারক্রাফ্ট (এল সি এ) তেজাজ এয়ার ফোর্সতা খুৎশিন্নখিবা তারগসু প্লেন মখল অসি লানফমদা থেংনবদা শরুক য়াবদা শীজিন্নবগীদমক্তদি চহী খরগী মতম ৱাৎলি হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউগী সোর্স অমনা ফোঙদোক্লি।

ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা লৈবাক অসিনা শাজবা ৪.৫ জেনরেসন লাইট ৱেট মল্টি রোল এয়ারক্রাফ্ট তেজাজ ফংখ্রে। ইনিদয়ানা তেজাজ এয়ারক্রাফ্ট শাজনবা ৱাখল্লোন অসি ইং ১৯৮৩ দগী খল্লকখিবগা লোইননা মসিনা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা শীজিন্নরিবা রশিয়ানা শাবা মিগ -২১ ফাইটর জেটশিংগী মহুৎ শিনগদৌরিবনি। অদুম ওইনমক ওপরেসনেলগী দরকারগী ওইরিবশিংদ অহোংবা লাকপা অমদি অনৌ-অনৌবা টেক্নোলোজিশিং পুশিল্লকখিবা অসিনা মরম ওইরগা লাইট কোম্বেট এয়ারক্রাফ্ট মল্টি রোল ফাইটর প্লেন ওইনা চপ চানা শক্তি লৈহন্নবগীদমক্তা শেমগৎপগী তঙাইফদবা অদু লৈরি।

দিফেন্স রিছার্স অমদি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও) অমদি হিন্দুস্থান এরোনোটিক লিমিটেদ (ঐচ এ এল) না পুন্না কোম্বেট এয়ারক্রাফ্ট অসি শামিন্নবগী থবক পায়খৎলিবনি। ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স অমদি নেভিদা শীজিন্নবগীদমক্তা এয়ারক্রাফ্ট অসিগী মখল মরি শাবগী থবক চথরিবনি। তেজাম প্লেন অসি শানবগী প্রোজেক্ট পায়খৎপদা লুপা ক্রোর লিশিং ৩০ গী শেনফম চাদিং তৌখ্রে।

এয়ার চিফ মার্সেল ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথারবা এস কৃষ্ণ শ্বামিনা হায়খিবদা, এলসিএ অসি য়াম্না নীংথিজনা ইনিদয়াগীদমক্তা শীজিন্নবা দিজাইন তৌরবা এয়ারক্রাফ্ট অমনি। মসিদা অনৌবা মখলগী মতমগা চুনরবা টেক্নোলোজি হাপচিন্দুনা এয়ারক্রাফ্ট অসিগী মপাঙ্গল হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনগখিগনি। ঐখোয়না এলসিএ গী প্লেট ফোর্ম অসি থাদোক্তুনা খক চৎফম থোক্তে। এয়ারক্রাফ্ট অসিদা অনৌবা মখলগী মতমগা চুনরবা খুৎশু খুৎলাইশিং হাপচিন্দুনা অফবা মখলগী মল্টি রোল ফাইটর প্লেন অমা ওইনবগীদমক শাগৎলি। মিগ-২১ ফাইটর প্লেন অসি ইং ১৯৬৩ গী মতমদা পুথোকখিবদগী মখল মঙা থোক্লা পুথোকখ্রে। হায়রিবা মখলশিং অসি হেন্না ফিভম ফগৎপা ফাইটর প্লেন মখলশিং ওইরি। হৌজিকমক্কী ওইনদি ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী বেকবোন ওইনা শীজিন্নরিবা এয়ারক্রাফ্ট অসি রশিয়ানা শাবা সুখোই ৩০ এম কে -১ অসিনা ওইরিবনি। ইনিদয়াগী ওইনা হায়রিবা ফাইটর প্লেন অসি ২৭২ লৈরি। লোইননা ফ্রান্সতগী রাফেল ১২৬ অমসু লৈনবগী থৌরাং চথরিবনি হায়রি।

কিরন বেদি দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর কেন্দিদেট ওইনা খনখ্রে

বিজেপিগী প্রসিদেন্ট টিকেট পীরকখিদবদগী প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

নিউ দিল্লি, জনুৱারী ২০ঃ ঙরাং বিজেপিগী নেসনেল প্রসদেন্ট অমিটশাহনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা পার্টিগী পার্লিয়ামেন্টরি বোর্ডকী মীফমদা মমাংদা আই পি এস ওইরম্বা কিরন বেদিবু ফেব্রুৱারি ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা দিল্লি এসেমব্লি ইলেক্সনগীদমক্তা চিফ মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট ওইনা খনখ্রে। মরক অসিদা, দিল্লি বিজেপিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ছটিস উপাধয়াবু পার্টিগী মীরেপকী মিং লাওথোকখিবদা য়াওরকখিদবদগী মহাক্কী সপোর্টরশিংনা প্রোটেষ্ট তৌবগী খোঙজং চংশিনখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম পার্টিগী ওফিস লৈরিবা পন্দিটপান মার্ক ওফিসকী মনাক্তা দিল্লি বিজেপিগী প্রসিদেন্ট ছটিস উপাধায়গী সপোর্টরশিংনা প্রোটেষ্ট তৌবগী খোঙজং অদু চংশিনখি। দিল্লি এসেমব্লি ইলেক্সনগীদমক্তা পার্টিগী মীরেপকী মিং লাওথোকখিবদা বিজেপিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা উপাধায়গী মিং য়াওরকখিদবদগী প্রোটেষ্ট তৌবগী খোঙজং অদু চংশিল্লিবনি হায়রি।

ঙরাং নুমিদাং অথেংবা মতমদা বিজেপি নেসনেল প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা লাওথোকখিবা ৱাফম অমদা কিরন বেদিবু য়েৎনবা অমত্তা য়াওদনা দিল্লি এসেমব্লি ইলেক্সনগী চিফ মিনিষ্টরিয়েল কেন্দিদেট ওইনা লাওথোকখিবনি। পার্টিগী ওফিসকী অকোয়বদা উপাধায়বু শৌগৎলিবা কাংবুশিংগা পার্টি মশেলগী মরক্তা ফুন-চৈনবগী থৌওংশিং ফাওবা চথবা য়াওখি। পুলিসকী ওফিসিয়েলশিং শীজিন্নদুনা ঙাক শেনবা হৌখ্রে। হৌজিক ঐখোয়না সিচুয়েসন অদু লাকশিল্লে হায়না দিল্লি পুলিসকী মাইকৈদগী ফোঙদোক্লি।

বিজেপিগী ওইনদি মমাংদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী ইলেক্সনশিংদা মখোয়গী ওইবা চিফ মিনিষ্টরিয়েলগী কেন্দিদেটশিং লাওথোকখিবা লৈখিদবনি। অদুবু হন্দক্কী দিল্লিগী পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদদি মমাংগী মতমদা মখোয়না চথরকখিবা থৌওং অদু হোংদোক্লদুনা কিরন বেদিবু চিফ মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট ওইনা লাওথোরকখিবনি। কিরন বেদিবু চিফ মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট ওইনা খনবগী মতাংদসু মত মান্নদবা লৈরবসু কুপ্না খন্নরবা মতুংদা ৱারেপ অদু লৌখিবনি হায়রি।

[illegible]

RM SCHOOL
Cl. (N - V) Day-Residential
CLASS WILL BE UPGRADED EVERY YEAR
Kwakeithel Heinoukhongnembi (Nongsaba)
BRING YOUR CHILD FOR IQ CHECK-UP ADMISSION OPEN
Facilities :-
- [illegible]
- [illegible]
- NAVODAYA, SAINIK RAMKRISHNA, NDA, MEDICAL IIT CIVIL SERVICE কী foundation শেম্বীগনি।
- [illegible]
- [illegible]
- [illegible]
- Max. 35 Students in each class.

HOSTEL FACILITY
9089243677
Under the Aegis of RM BOARDING
SAME SYLLABUS & PATTERN WITH ST. JOSEPH'S & LITTLE FLOWER SCHOOL
NT/62973/10to 23Jan.

এনএসসিএন (আইএম) ১১ ফারে, মীওই ৫ রেস্ক্যু তৌখ্রে

কোহিমা, জনুৱারী ২০ঃ নাগালেন্দগী পেরেন দিষ্ট্রিক্টকী জলুকি টাউন্দা লৈবা এনএসসিএন (আই এম)গী কেম্প অমা সেক্যুরিটি ফোর্সনা হৌখিবা তাং ১৭তা থুগায়খ্রে। লোয়ননা কেম্প অদুদা লৈরম্বা এনএসসিএন (আইএম)গী কাদর ১১ ফারে ।অদুগা মখোয়না ফাজিন্দুনা থল্লম্বা মীওই ৫ অমনা রেস্ক্যু তৌরে হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, ১৮শুবা এআরগী ক্রুপশিংনা জলুকি টাউনদা লৈবা এনএসসিএন (আইএম)গী দিটেন্সন কেম্প অদুদা লালহৌলুপ অসিনা তোঙান তোঙানবা মরম কয়াগী ফাজিন্দুনা থল্লম্বা মখোয় ৫ অদু রেস্ক্যু তৌখিবনি। কেম্প অদুদা মীওই ১ য়োৎলিনা পুন্দুনা থল্লে হায়বা অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী ওপরেসন অদু চথখিবনি।

রেস্ক্যু তৌরবশিং অদু মণিপুরগী টমেংলোংদগী জেম(৩২), জলুকি ফোরেষ্ট গেটতগী সিরাজ (২৮), জলুকি ষ্টেদিয়ম কোলোনিদগী লজাপিয়ু (৩২), জলুকি নিউ মার্কেট কোলোনিদগী অগুম্বে(২১) অমসুং পেরেনদগী রাংহিংলাকপে কৌই। মখোয় ৫ অদু মীওইবগী লিচৎ নত্তবা মওংদা য়াম্না মওং মরিল তাদনা ফাজিল্লগা থল্লমখি। থৌওং অসি হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবনি অমসুং য়ুএন চার্টরশিংগী মায়োক্তনি হায়না আইজিএআর (এন) অসাম রাইফলসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

রেস্ক্যু তৌরবা মখোয় মঙা অদুগী মনুংদা অমদি য়োৎলিনা পুন্দুনা থল্লগা য়াম্না থিনা ফুই হায়রি। অমনা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর ১৪দগী ফাজিল্লগা থল্লকখিবনি হায়রি। ফারবা এনএসসিএন (আইএম)গী কাদর ১১ অদুনা অসাউয়েয়েনফম (২৭), লুলাং (২২), খাপুর ইমো(২৫), খাপুর ইওউং (৩২), খাপুং দিসোং (৩১), হৈদেং (৩৫), রাজাওপেয়ু (২৮), লিসি (৩৫), অলোং (২৮), লুংসেয়িং (২৯) অমসুং অবোই (১৫) নি হায়রি।

এনএসসিএন (আইএম)না য়ুএন কনভেন্সন ওন দি রাইটস চাইল্ডনা পীরিবা চৎনলোনচংশিং অদুগী মায়োক্তা চহী শুদ্রিবা অঙাংশিংবু রিক্রুট তৌরে হায়না মরাল শীরি। ফারবা ১১ অসিগী মনুংদা খাপুর ইমো অমসুং লিসি অসিদি মমাঙ চহীগী নভেম্বর ১৪দা পেরেনদগী নম-হাদুনা শেল খায়রম্বা অমসুং টেক্স খোমগৎলম্বগা মরী লৈননা ফাদুনা থল্লকখিবদগী হন দক্তা বেল দা থাদোরকখিবা মীওইশিংনি। মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদসু সেক্যুরিটি ফোর্সনা এনএনসিএন (আইএম)গী দিমাপুর মনাক্তা লৈবা দিটেন্সন কেম্প অমা থুগায়দুনা মীওই অনী রেস্ক্যু তৌবগী থৌদোক লৈখ্রে। লোয়ননা থৌদোক্তুদা এনএসসিএন (আইএম)গী কাদর ৬ অমসু ফাখি হায়রি।

লোকেল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ২০ঃ সিপিআই হিয়াংলম লোকেলগী ৩৪শুবা কনফরেন্স থা অসিগী ১৮দা লমজাও অৱাং লৈকায়দা লৈবা উরিকখিনবম ইরামণি মীতৈগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে হায়না কাউন্সিল অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, কনফরেন্স অসিনা মেম্বর ১১না শাবা কম্মিটি অমা, মেম্বর ২৫না শাবা লোকেল কাউন্সিল অমা শেমখ্রে। লোয়ননা উরিকখিনফম কুঞ্জো সিংহবু মথং চহীগী সেক্রেটরি অদুগা থৌনাওজম জয়কুমারনা এসিস্টেন্ট সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে।

কনফরেন্স অসিনা তোঙান তোঙানবা দাবী কয়া থবক্তা ওহোক্লবা সরকারগী পুক্নিং চিংশিনখি। দাবীশিং অদুদি হিয়াংলম কেন্দ্রগী মনুংদা লৈরিবা স্কুলশিং অসি নিংথিনা শেমগৎপীদুনা মপুং ফাবা মহে শঙ ওইহনবীয়ু। এমএলএ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ স্কুল শেমগৎপদা অয়াম্বা থাদবীয়ু। সেকমাই বেরেজগী কেনেল নিংথিনা শেমজিনবীদুনা প্রজাদা মপুং ফাবা খুদোংচাবা ফংহনবীয়ু। কেন্দ্র অসিদা লৈরিবা পিঐচএসসি অসি নিংথিনা মথৌ তৌহল্লু, হিয়াংলম কেন্দ্র অসি বাই -ইলেক্সনদা সিএম, দিপ্যুটি সিএম অমসুং মিনিষ্টরশিংনা লেমহৌরিবা চহী অনীমখায়গী মনুংদা পায়খৎকনি হায়রম্বা থবকশিং থবক ওইনা ওহোকপীরো, পিদিএসকী পোৎলমশিং প্রজাদা মপুং ফানা ফংহনবীয়ু হায়বসিনি।

শিলচরদা মণিপুরী ফিল্ম মেকিংগী ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ২০ঃ শিলচর অমদি ইম্ফালগী কলাবু শৌগৎলিবা ইচিল ইনাওশিংনা পুন্না চংশিনমিন্নদুনা মালেমদা মশক থোক্লা লৈরিবা ঐখোয়গী পার্ফোমিং আর্টশিংবু তোমথিন ওইননবগী ৱাখলগী মরু হুলহল্লসি হায়না ঙরাংদগী বরাক মণিপুর ইন টরটেনমেন্টস (বিএমই) না শিন্দুনা শিলচরগী গান্ধি ভবনদা পাঙথোকখিবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল অমসুং ফিল্ম ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা আর্ট এন্দ কলচরগী দাইরেক্তর ডাঃ কে সোবিতানা ফোঙদোকেখ্রে।

বরাক মণিপুরী ইন্টরটেনমেন্টগী থৌশিল মখাদা থা অসিগী ২২ ফাওবা চথগদবা মণিপুরী ফিল্ম ফেষ্টিভেল অমসুং ফিল্ম মেকিং ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা দাইরেক্তর কে সোবিতানা চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মখা তানা হায়খিবদা, মণিপুরগী ৱাংমদা খুন্দা লৈতাখ্রবা মফমশিংদা মতম মতমগী ওইনা ফিল্ম ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা হায়বসি মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট কো-ওপরেসনগী পান্দমনি হায়খি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
Keirao Bitra, Imhal East
Mutation Case No. 36 SDC/KBT. dt. 19-1-2015

1) Athokpam Ongbi Shakhi Devi W/o Late Irabot Singh of Bamonkampu Mayai Leikai. 2) Athokpam Imo Singh S/o Late Mani Singh of Bamonkampu Mayai Leikai
. . .Petitioner
-Vrs-
Late. Athokpam Mani Singh S/o Late Gopal Sing of Bamonkampu
. . . Respondent

NOTICE
Keirao Bitra 19-1-2015

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি, কৈরাও বিত্রা তহশিলনা কোনবা খুল নং ৪৬- বামোন কম্পু ভিলেজগী পট্টাদার নং ২০৪ অরিবা পট্টা নং ৭০ অনৌবা, দাগ নং ১০৪ মোট এরিয়া ০.২৭০০০ একর চাওবা ইখ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কল্লগা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাররে। দংকারি অহানবগী শরুক্কা মখা থংবদা ০.১৩০০০ একরগী লম অমদি দংকারি অনি শুবগীনা অৱাং থংবদা ০.১৪০০০ একরগী লম / ইখ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মচা -মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা আপতি তৌরবা য়াগনি। তুংদা লাকপা অপাতি লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Keirao Bitra I/E

NT/63325/21

ষ্টেটকী পাউ

মণিপুরদা য়ু জি সি রিগুলেসন চৎনরকপা ঙরাংদা নৎতে: *অমক্তা*

ইম্ফাল, জনুৱারী ২০ঃ মণিপুরদা য়ু জি সি রিগুলেসন চৎনরকপা অসি ঙসি-ঙরাংদা নৎতে। হৌখিবা চহী ১৯৭৩ দগী হৌনা চৎনদুনা লাক্লবনি হায়না অমক্তাগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, মতম মতমগী অহোংবা কয়া, অওনবা কয়া চৎনদুনা লাক্লিবনি। মসিগী ইতিহাস নৈনবা চঙই। আর ও পি চহী ২০১১ গী অগষ্ট ১২ গী মতুং ইন্না ঙসি মণিপুর সরকারগী কলেজ ওঝাশিং রিভাইজ য়ু জি সি পে ফংদনা লাক্লি। পে রিভিজন্না রিত্রোস্পেক্টিভ ইফেক্ট চৎনগনি অদুগা সার্ভিস কন্দিসনশিংগী প্রোস্পেক্টিভ মেন্নরদা চৎনগদবনি। মসি সি সি এস ষ্টেট সার্ভিস রুলশিংদা ময়েক শেংনা য়াওরি। য়ু জি সি রিগুলেসন ২০১০ গী ক্লোজ ৭৪০ দা পীরিবা প্রোভিজন রিগুলেসন অসি অদোপ তৌরবা মতুংদা থা ৬ কী মনুংদা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অদুনা লোকেল কন্দিসনশিং য়াওনা ষ্টেট মশাগী ওইবা রিগুলেসন শেম্বা হায়বদু উশিন্নদনা ঙসি ফাওবা ষ্টেট মশাগী ওইবা নোটিফিকেসন, ও এম, থোক্ত্রি। মীয়ামবু অমদি ওঝাশিংবু চম্মমনহল্লগা কলেজ ওঝাশিংবু নমথদুনা থম্মবা থৌরাং তৌরি।

সরকারগী থৌওইদবা মরমনা ওঝাশিংদা অচৌবা অপনবা পীরি। সরকারনা অপনবা পীরক্লিবশিং অসি হৌখিবা চহী ২০০০ দগী চৎলিবা চহী অসি ফাওবনি। সরকারনা মসি য়েংশিন্দুনা শেমদোকপীরবদি ষ্টেজ ৩ দগী ৪ দা মশাগী ফংফম থোকপশিং কয়া লৈরিবনি। অসুক য়াল্লবা ওঝাশিং অসি সরকারনা ময়েক শেংবা নোটিফিকেসন, ও এম অমা থোক্তবদগী করি-করম্বা মশাগী পর্ফোমেন্স, রিপোর্ট সবমিট তৌবদা চনৈনহন্দুনা থল্লি। তশেংনা ওঝাশিংগী হক খোংগাওনরি।

নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা অনৌবা পার্ফোমা থমদুনা মদুগী চৎনা কাংলোন থম্মবা সরকারনা থবক লৌখৎত্রি।

য়ু জি সি রিগুলেসন ২০১০ গী মতুং ইন্না এ পি আই স্কোর ফংনবা ওঝাশিংনা এপ্পেন্দিক্স ৩ গী মতুং ইন্না কেতেগোরি ১, টিচিং, লরনিং অমদি ইভাল্যুয়েসনগী এক্টিভিটিজ এসেস তৌবদা চহী অমদা এ পি আই স্কোর ৭৫ / ১২৫ অদুগা কেতেগোরি ২ দা কো-কেরিকুলম, এক্সটেন্সন এন্দ প্রোফেসনেল দিভলপমেন্ট এক্টিভিটিজশিংগী য়ামদ্রবদা এ পি আই স্কোর ১৫ /৫০ ফংগদবনি। অদুম ওইনমক কেতেগোরি ২ অসিদা ১০০ ফংগদবনি। কেতেগোরি ৩ দা এ পি আই স্কোর ৫, ১০, ১৫ অমদি ২০ চহীদা ষ্টেজ ২, ৩, ৪ অমদি ৫ কী প্রামোসনগীদমক মথংশিংনা ফংগদবনি। পুম্নমক অসি সরকারনা মরী লৈনবা নোটিফিকেসন, ও এম থোক্তবদগী ওঝাশিং চম্মমনহন্দুনা থল্লি। নোটিফিকেসন থোক্ত্রিবা ফাওবদি হান্নগী ওল্ড য়ু জি সি রিগুলেসন ২০০০ গী নিয়মদা হান্নদগী চৎনরিবা সেল্ফ এপ্রাইজেল রিপোর্ট থাগৎকদবনি, মদুসু ময়েক শেংহন্দে।

নোটিফিকেসন অসি ওঝাশিংনা দিমান্দ তৌবা ঙাইরম্মী। সরকার অসিগী ওথোরিটিশিংনা হায়র এদুকেসনগী লমদা করিসু খঙলমদে হায়বা ময়েক শেংলে। লোকেল কন্সিদরেসন হায়রিবসিনা য়ু জি সিগী রিগুলেসন্দা থুগাইগদবা নৎতে। মশাগী প্রোভিজনগী মনুংদা তৌগদবনি। খুদম ওইনা, চীং অমদি তম্পাক্কী কলেজ খুদিংমক অমগা অমগা ফীভম মান্নদে, খুদোংচাবা খেৎনৈ। অদুবু থবক তৌরিবা ওঝাশিংদি সার্ভিস কন্দিসন অমখক্তনি। অদুগা গ্রাউন্দ রিয়েলিটিদা মসিগী রুল অমদি কন্দিসন শেমগদবনি। ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা কন্দিসনশিং অসি শেম্ন রিবনি। অমক্তাগী দাবী অসি ওঝাশিংবু পুক্লিং লৈতানা মশাগী মথৌ তৌহন্দুনা কলেজিয়েট এদুকেসন্না হ্যুমেন রিসোর্স মপুং ফাহনবা ঙম্নবা অমদি চাওখৎপা সমাজ অমা ওইহন্নবা তাল্লিবনি হায়রি।

ওইনাম প্রজাশিংগী লাইবক থিবনি

ইম্ফাল, জনুৱারী ২০ঃ ষণ, ইরোই হায়বসি মীগী মতেংনা হিংগদবনি হায়বসি মীয়াম্না খঙই। মীওইবনা শা-ষণগী হিংনবগীদমক মচিঞ্জাক অমদি লৈফম শেমগদবনি হায়বসি ওইনাম প্রজানা খঙই। মীওইবনা শা-ষণগী মতেং লৌই। অদুগা শা-ষণনা মীওইবগী মতেং লৌই হায়বসি পুম্নমক্না য়ানরবা ৱাফমনি। মসিদা মণিপুর গভর্নমেন্টনা ওইনাম প্রজাবু শা-ষণ য়োক্লিংদবা অমদি মালেমদগী মুথৎনিংবগী মওংদা মীয়ামদা উহল্লে। মসিমক ওইনাম প্রজাশিংগী ওইনদি লাইবক য়াম্না থিবনি হায়না ওইনাম তাংলৈহাদা ওকশোই ওরাজিং গ্রাউন্দ প্রোটেক্সন কম্মিটি ওইনামগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারক্লিবদি, ওইনাম্না চহী ৭০ গী মথক্তগী দোখোন তৌদুনা লাক্লিবা ওইনাম ওকশোই ষঞ্জাবুংদগী পরি ৭৫ গী শরুক অমা রিভিন্যু দিপার্টমেন্টনা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি দিপার্টমেন্টতা শা-ষণগী মচিঞ্জাক থানবগী মিংদা পীথোক্লিবসি মণিপুরদা প্রজাগী অয়াবা য়াওদনা দিপার্টমেন্ট তৌবগী নামাদা লম লৌশিন্নবা হোৎনরকপদগী হৌজিক ৱাথোক থোক্তুনা লৈরি। চৈরক অসিদা ওইনামদা অমুক ৱাথোক থোক্লবগী লম্বী অমা অমুক শিনজিল্লকপা অসি মণিপুরগী প্রজাশিং কাং-খোংচাইদুনা, কোইচেন-চেন্দুনা মীগী সাইজিন-সয়াদা শৈদাংনবা হোৎনহনবনি। মীয়ামগী দিভলপমেন্টনি, মীয়ামগা তান্নদনা থবক হেক্তা পায়খৎপনা মীয়াম অমদি গভর্নমেন্ট অনিগী মরক্তা উংখৎনবা থোক্কনি। মীয়ামগীদমক থম্মোয় শেংনা খল্লগা পায়খৎপা থবক নৎতে। অসিগুম্বা থৌশিল অসি গ্রুপ শেল্লগা সজিক থাবগী নামাদা সেন্টরদগী শেচ্চং লৌথরগা শায়েন-ঙায়েন্নবা হোৎনবা থৌশিলনি। সরকারগী থৌওং অসিবু য়ানিংদবা উৎতুনা জনুৱারী ২২ দা টিদিম লম্বী তঙ্খাই ফমজিনগনি। অদুগা জনুৱারী ২৫ দা ওইনাম মীয়ামগী অচৌবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

তোম্বীসানা হায়স্কুলদগী ফংলিবা কোক্কী তুম্বা অমসুং শরু শয়াংশিং থম্মোয় শেংনা থিজিনবীনবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারী ২০ঃ মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৫দা তোম্বীসানা হায়স্কুলগী কেম্পসতগী কোক্কী তুম্বা অমসুং শরুশিং ফংখিবা থৌদোক্কা মরী লৈননা মণিপুর সরকারগী মায়কৈদগী মদুবু থিজিন্নবা সিবিআইদা থাখিবা চিঠিদুগা মরী লৈননা হ্যুমেন রাইটস ইনিসিয়েটিভকী মায়কৈদগী ১৯৮০দগী হৌজিক ফাওবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মফম খঙদনা মাঙহনখ্রবা মীওই ২২গী লিষ্ট অমা সিবিআইদা থাদুনা তোম্বীসানা হায়স্কুলদগী ফংলিবা শরু শয়াংশিং মাঙখ্রবা মীওইশিং অসিগী শরু শয়াংশিংনি হায়বদু মশক খঙদোক্লবা তকশিনখ্রে হায়রি।

হ্যুমেন রাইট ইনিসিয়েটিভকী মায়কৈদগী সিবিআইগী দাইরেক্তর অমসুং মাগী টিম্না থম্মোয় শেংনা মসিদা থিজিনবীনবা তকশিনখ্রে। লোইননা ফংলিবা শরুশিং অদুগী মনুংদা মাঙখিবা মীওইশিং অসিগী য়াওব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা মফম খঙদনা মাঙখ্রবশিং অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং নত্রগা অতৈ ইভিদেন্সশিং অদুগী ঈ অমসুং দিএনএশিং টেষ্ট তৌনবা তকশিনখ্রে। মখা তানা সিবিআইনা মাঙখ্রিবা ইমুং মনুংগী মীওইশিং উন্নদুনা অমসুং ইনভেষ্টিগেসন অদুগী মনুংদা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবসু তকশিনখ্রে।

অরোইবদা চেরোল অসিনা হায়রিবনা, লমদম অসিগী সিটিজনশিং অমসুং সিভিল সোসাইটিশিংনা সেক্রেটরি মিনিষ্ট্রি ওফ পার্সোনেল পব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সন্স, দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সোনেল এন্দ ত্রেনিং গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা নোটিফিকেসন থোক্নবা মণিপুর সরকারদা প্রেসর তৌনবা শান্তি ওইনা অমসুং দিমোক্রেটিক ওইবা মুভমেন্টশিং চংশিন্নবা আপিল তৌরি। হ্যুমেন রাইটস ইনিসিয়েটিভকী মায়কৈদগীসু তোম্বীসানা হায়স্কুলদগী ফংখিবা শরুশিং অদু কনা কনাগীনো হায়বা খঙদোক্লবা কম্মিটি ওন মাস গ্রেভ এগেষ্ট তোম্বীসানা হায়স্কুলনা মীয়ামগী ওইবা দিমোক্রেটিক মুভমেন্টশিং চংশিনবদা মতেং পাংগনি অমসুং শৌগৎকনি হায়রি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR,
Waikhong
Mutation Case No.8/SDC/ (W) /2015

Parties: Amom Nagin Singh S/o (L) Amom Chaonuyaima Singh of Wangoo Tera Mayai Leikai
. . .Applicant
-Vrs-
Late. Amom Chaonuyaima Singh S/o (L) A. Ibotomba Singh of Wangoo Tera Mayai Leikai
. . . O.P.

NOTICE
Waikhong, the 19th Jan. 2015

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগী মিংদা পানবা পট্টা নং ৮৫ / ২৫ দাগ নং ৪০৬৯ এরিয়া .৭২ একর চাওবা ইখ্খোল মফম অসি দংকারিগী মিংদা নামা পানবিয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎকদবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৩০-১-২০১৫ অয়ুক্কী পুং ১০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই। কেস মখা চথজরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Waikhong

NT/63324/21

[illegible]

বাবা নবকিশ্বরগীদমক ঈশ্বরদা থৌনিজরি



শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, ইম্ফালদা লৈবা বাবা নবকিশ্বরগী হিদাক হাপ্তা অমত্তং চাবদগী ঐবু পোকপীবা বাবাগী মশাদা লৈরম্বা নুঙ তারে। বাবাগী অনাবা পুম্বা ফরে। মরম অসিনা ঐনা বাবাগী মহুৎ শিনজদুনা বাবা নবকিশ্বরবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি। লোইননা বাবা কুইনা শাংনা হিংহনবিনবা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।

ৱাই ওজিৎ সিংহ
লাংমৈদোং মমাং লৈকাই।

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯌꯦꯡ মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা,য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি:এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম,নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১) হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম্না চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে,তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙমলে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু,তান্নবীয়ু।

২) হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোংবা নুংঙাইতবা,শদৌ থোংবা,হকচাং চোকথবা,তুম্বা য়াদবা,অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙমলে।

৩) হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪) Make-up (Parlour) তৌবা চান্নদবদগী মায়দা (alergy) তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫) মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরিবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু । অদোমগী হকচাং ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা ত্তিল চাবা হোবা,য়ারীদা পোম্বা,নাই চাবা,ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬) মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীংথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নশিংঅদুদি :- নুংশং নাবা,লাই ওক্লবা,ঈশিং পুকচৎপা,নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা,ফিঙৌ চৎপা,ঈ-নুংশিৎ ,লিভর,চাকখাউ নাবা,এজমা হারা,হুইনা চিকপা,লিম্না চিকপা,সাইনস,তোন্সি, অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া,লালচাক ফম্বী শোনবা,খোঙয়া শাবা,হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হিদাক ,খ্বাঙ নাবা,মটু লৈবা,অপোম্বা খুদিংমক,নুংশিৎ চংবা (হিংচবী চংবা),মীৎ নাপু কাবা,খোঞ্জেল শীথবা (Voice down),ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা,নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল,সনাতোম্বা,গোপাল অমসুং মোধুবালাদা তান্নবীয়ু।

Regd.No,4277 of 82 April
Phone no.9615533737,9856271907
Dr.N Ibohal Meitei,State & National Awardee

HELPING HANDS GROUP,IMPHAL

Result of the 8th HSLC Preparatory Exam 2014-2015

Pos.	Name	School	Eng.	Maths	S.Sc.	Sc.	Total
1.	S.Sharmiza Annoly	Nirmalabas High School	70	75	67	72	284
2.	Victoria Ngangbam	Nirmalabas High School	67	71	65	74	277
3.	G.Gopal Krishna	Don Bosco,Chingmeirong	64	72	67	71	274
4.	Rajkumar Rohit	Tiny Tots' Unique School	65	76	69	70	273
5.	Deepak Lisam	Catholic School	65	71	64	72	272
6.	Sanaton Athokpam	Tiny Tots' Unique School	66	68	58	75	267
7.	Bishwanath K	New Model P/S, Moirang	64	60	54	68	246
8.	Henam Gyanlei	Catholic School	65	57	57	60	239
9.	Sochanao Machinao	Tiny Tots' Unique School	66	65	45	62	238
10.	Dinesh Shougaijam	Catholic School	62	72	43	57	234
11.	Md. Chaoba	K.M Blooming, Khangabok	56	48	63	61	228
12.	T. Herojit	Paradise Eng.School,Tbl	53	54	54	58	219
13.	Tochanshim Khaling	Tiny Tots' Unique School	60	69	33	56	218
14.	Yaiphaba Maibam	St. Joseph's School	53	58	47	55	213
15.	Thounaojam Punshiba	St. George H/S, Wangkhei	54	46	50	62	212
15.	Saikhom Rohit	New Public, Khangabok	50	56	42	64	212
16.	Sushmitra Dahal	Tiny Tots' Unique School	58	61	41	48	208
17.	Kamold Laiphrakpam	Catholic School	61	42	44	60	207
18.	Anjita Konjengbam	New Model P/S, Moirang	63	38	42	52	195
19.	Akash Mutum	Comprehensive, Oinam	56	64	31	42	193
20.	Lydia Naorem	Catholic School	61	51	33	47	192

N.B : 1. All the awardees are requested to collect their prizes from the office of the HHG during officehour i.e, 1.00 pm to 4.00 pm.on 27th Jan'15.Those who failed to come will not be entertained afterward.
2. Those who wish to know their marks can visit at our office on the above said day.

Sd/-
Secretary,
HHG

NT/63332/21

IPS THE IMPHAL PUBLIC HR. SEC. SCHOOL
CANCHIPUR
THE ONLY SCHOOL IN MANIPUR WITH ALL ROUND DEVELOPMENT
THE PERFECT DESTINATION FOR PARENTS AND STUDENTS

KFC THE KANGLEPAK FITNESS CENTRE
REGISTRATION OPENS FOR FITNESS TRAINING (BOTH GYM & AEROBIC)
- YOU CAN LOST 20-30 KGS OF BODY WEIGHT WITHIN A FEW MONTHS
- YOU CAN GAIN 25-30 KGS OF BODY WEIGHT WITHIN A FEW MONTHS
- YOU CAN FIT WITHIN A FEW MONTHS
- SPECIAL CONCESSION FOR STUDENTS
- SPECIAL CONCESSION FOR IPS STUDENTS & PARENTS.
- WEIGHT LOST & GAIN, CONSULTANT
- LOWEST ADMISSION & TRAINING FEES

MOTTO : HEALTH IS WEALTH

ADMISSION OPENS-2015
FROM PRE-NURSERY TO CLASS IX
(BOTH SCHOOL & BOARDING)
- AWARDED FOR BEST SCHOOL
- AWARDED FOR BEST PRINCIPAL
- NO. 1 SCHOOL & BOARDING WITH EDUCATION 360°
- LOWEST ADMISSION FEES & TUITION FEES WITH MEGA FACILITIES
- 12 TIMES STATE WINNER IN CO-CURRICULAR ACTIVITIES